# সি সি মীট– নেরোকা এফ সি অমদি শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল,এপ্রিল ২ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ফুটবোল তর্ফতা টিম ৩১ না শরুক য়াদুনা চখরকলিবা ৬১শুবা সার চুরচান্দ সিংহ, কেসিএসআই, সিভিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯গী ফাইনেলদা নেরোকা এফ সি শঙাকম্ফম ইম্ফাল ইষ্ট অমদি শগোবন্দ য়ুনাইটেদ ইম্ফাল ৱেষ্টগা শান্নরগনি।

চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নেরোকা এফ সি শঙাকম্ফম ইম্ফাল ইষ্টনা ট্রাউ ক্লাকৈথেল ইম্ফাল ৱেষ্টপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা ট্রাউগী প্রিন্সৱিলগী গোলনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবাদা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতা নেরোকাগী সুভাস অমদি সরননা গোল হন্দোক্তুনা ২–১ দা মায় পকখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অঙনবা মিনটশিং দগী য়াংনা শান্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা শান্নরকখি।

মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা নেরোকাগী জেরি পুলমটেনা কাওশিনখিবা বোল অদু নেটকী নাকদা চৎখিদুনা অরেম্বা তাখি।

ট্রাউনসু নেরোকাগী দিফেন্স জোনশিংদা এটেক চখদুনা প্রেসর পিশিনখি। টিম অনীনা গোল চন্দনা লাকখিবা অদু ট্রাউনা চখরকপা এটেক অমদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ১৬ সিবাষ্টেননা ট্রাউগী এন জি নাওচদা খুনিংনা থিন্দুনা বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবগীদমক রেফ্রিনা ট্রাউগী মায়কৈদা গোল মাঙজিল থাবা য়াবা পোলটি অমা পীখি।

পেনালটি অদু ট্রাউগী কেপ্টেন প্রিন্সৱিল ইমেকানা মিনট ২৩ চৎপদা গোলদা ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসি লোয়দ্রিঙৈ মমাঙদা নেরোকানা শোখরিবা গোল অদু হন্দোকপা য়াবা তঞ্জা ফংখ্রবসু ট্রাউগী এস সন্দিপনা লুচিংবা দিফেন্সকী লাইন অর্পনা মথৌ খংনা শান্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি গোল হন্দোকহন্দনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নেরোকানা শোখরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোন্দুনা অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরকখি।

হাল্ফ অসিগী হৌরকপা মিনট ৪৭ চৎপদা ট্রাউগী সনিদপনা শোইবদগী নেরোকাগী এস রোনাললনা মুন্দুনা ফংখিবা বোল অদু গোল তম্না এটেম তৌশিনবদা বার মথক্তা চুৎখিদুনা গোল হন্দোকপা য়াবা তঞ্জা অদু মাঙখি।

মেটচকী মিনট ৫০ চৎপদা নেরোকাগী এ সুসিল মৈতৈনা য়েৎ থংবা ৱিংদগী খাইরকপা ক্রোশিং অদু সুভাসনা ট্রাউগী দিফেন্দশিংগী মাক্কিংদগী নাখোক্তুনা বোল অদু নিংথিনা শমজিন্দুনা নেটকী য়েৎ থংবা কাচিন মনুংদা চঙহন্দুনা গোল হন্দোক্লগা ১–১ দা লৈন্নদুনা মহাক্কী টিমদা থৌনা হাপকলিকখি।

গোল হন্দোক্লবা মতুং মিনট ৫ কান্নরগা মিনট ৫৫ দা নেরোকাগী কাসুমিনা কাওরকখিবা কোন্নর কিক অদু রোনাললনা ফ্লিক তৌবদা ট্রাউগী গোল কিপ্পর মীথুননা নিংথিনা ফাজিনবা ঙমহৌদদুনা থকথোখিবদগী নেরোকাগী টি ঐচ সারন খোঙলৈ য়াংনা চঙক্তুনা থক্তোরকখিবা বোল অদু অহাঙবা নেট মনুংদা চঙহন্দুনা ১–২ দা মাঙজিল থারক্তুনা মায় পাকপগী লম্বি অদু নকশিনলকখি।

ট্রাউগী মিদ ফিল্ড শান্নরোইশিংনা মশক থোক্না প্রাফোমেন্স পীরক্তবগী অহোবশিং অদু টিম অসিগী দিফেন্দরশিংনা মেনশিখ্রবসু এফেন্সীপ শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা য়াবা তঞ্জাশিং ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসিদা ট্রাউগী জোসেপ ময়োৱা,পিন্সৱিল,নেরোকাগী সিবাষ্টেন,এস ঐচ রোনাল অমদি কাটসুমি য়ুসাদা রেফ্রিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি প্রিয়োবত্তা,রিনকাহাও,এম দি লাটিফ অমদি কে ঐচ ইবুংঙৌনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ১,এষ্টিটেন্দ রেফ্রি ২ অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# অনীশুবা এম সি এ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল,এপ্রিল ২ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনা শিন্দুনা টিম ২০না গ্রুপ–৪ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সি এ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি ২০১৮গী ৱিন্নর সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওইখ্রে।

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব চিংঙামখাবু ৱিকেট ৭ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা সাইক্লোননা তোচ ঙমদুনা বোল্লিং হানা খনখি। অহানবা বেট্টিং পায়খিবা মোদেল ক্লব চিংঙামখানা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০৮ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ১৭.২ দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১০৯ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৭ দা মায় পাকখি।

অহানবা বেট্টিং পায়খিবা মোদেল ক্লবগী বেষ্টমেন কর্নাজিৎনা বোল ২৬ দা রন ১৭,অন্দ্রিক্টনা বোল ৩৫ দা রন ৩৩ অমদি তেসকুমারনা বোল ৭ দা রন ১১ লৌখি।

সাইক্লোনগী বোল্লিংদা বিকাসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অমদি হোমেন্দ্রো অমদি কিসননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং পায়খিবা সাইক্লোনগী বেষ্টমেন ময়াংক রাগভনা বোল ৪১ দা রন ৪০,নরসিংহনা বোল ২৩ দা রন ২৫ অমদি অসেককুমারনা বোল ৩৫ দা রন ২৮ লৌখি।

মোদেল ক্লবগী বোল্লিংদা বিশ্বোরজিৎনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী রন ৪০ লৌখিবা ময়াংক রাগভনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরগী টিমদা লুপা লিশিং ৫০,০০০গা লোয়নন্না ট্রোফি,রন্নস অপগী টিমদা লুপা লিশিং ৩০,০০০গা লোয়নন্না ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরনা সাইক্লোনগী অক্লেকুমার অমদি ট্রাউগী সোরোসনা ৱিকেট ১৪ লৌদুনা তাখি।

হায়েষ্ট রন স্কোলরনা ট্রাউগী রোহিটনা রন ১২২ লৌদুনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি সিরিষ্টনা অক্লেকুমারনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোয়শিনবগী তৌরমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী হনাগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম ভক্তরাজ,মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ভাইজ প্রসিদেন্ট চোঙথাম চাউবা,মণিপুর ভেটারন ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নোংথোবম ইন্দ্রাজিৎ,য়ংৱেল ফিয়ার ক্লব লংথবালগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম বিরচন্দ্রা অমদি লংথবাল স্পোটিং ক্লব লংথবালগী প্রসিদেন্ট থোকচোম ইবোমচানা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট,প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মনা মথুম য়েনথোকখি।

# অহুমশুবা ৱাই দি সি ফুটবোল ২০১৯ থোইবা এফ সি অমদি খোইরোম এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,এপ্রিল ২ঃ

য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি)য়াইরিপোক খোইরোম্না শিন্দুনা য়াইরিপোক খোইরোম কাঙজৈবুংদা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী চখরকপা ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা থোইবা এফ সি অমদি খোইরোম এফ সি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ–দিগী মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা থোইবা এফ সিনা য়াম্বেম এফ সিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

থোইবা এফ সিনা মেটচ অসি হৌরকপদগী বোল হেনা পায়রগা লাকশিন্না শান্দুনা য়াম্বেম এফ সিগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চখদুনা প্রেসর পীশিন্দুনা শান্নখি।

মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা থোইবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ সনাতোম্বানা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল একাউন্ট হাঙখ্রবা মতুং মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ১৪ দা থোইবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৬ সোভানা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

থংন্নবা মিনট ১৫ দা গোল একাউন্ট হাঙখিবা সনাতোম্বনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

থোইবা এফ সিগী ৪শুবা গোল অদুনা মিনট ২১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৭ মিলননা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪–০ দা মাঙজিল থাখি। য়াম্বেম এফ সিনা মিনট ৫০ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ অসোকনা গোল হন্দোক্লবসু মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখিদে।।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা খোইরোম এফ সিনা ৱাই দি সি (এ) খোইরোমবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা খোইরোম এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ নন্দাকিসোরনা মিনট ১৩ অমদি ২৪ দা গোল ২ অমদুগা অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৫ জয়কিসননা মিনট ২২ অমদি ২৮ দা চনখি। মেটচ অসিদা খোইরোম এফ সিগী জয়কিসন,দিপক অমদি ৱাই দি সি(এ)গী গোবিন্দা য়েলো বুক তৌখি।

চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেটচশিং নোংচিংগী ফিবম ফত্তবনা মখা তবা ফিচর থোক্ত্রি ফাওবা মতম কত্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

# অহুমশুবা সঙাই ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৯ এ টি ভি এফ এ অমদি ফ্লাম মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,এপ্রিল ২ঃ

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা টিম ১৮ না গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা মমাঙ থা ৩১ দগী চখরকপা ৩শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটোরন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী মেটচশিংদা এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দ অমদি ফ্লাম য়াইস্কুল মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দনা টি বি এস এফ এ তাবুংখোকপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা টিম অনীনা য়াম্না লম্বা চানা শান্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা প্রেসর পীশিন্নখি।

মেটচকী মিনট ৫ চৎপদা এ টি ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ১১ আর কে সনাহলনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল মাঙজিল থারবা মতুং মিনট ২ কান্নরগা মিনট ৭ দা টি বি এস এফ এগী জর্সি নম্বর ৬ ঐচ মাংটেনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

শোখরিবা গোল অদু টি বি এস এফ এনা মেটচগী অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী থংন্নবা মিনট ৮ দা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ এল লোনেন্দ্রানা গোল অমা হন্দোক্তুনা ২–১ দা লৈদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এ টি ভি এফ এনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নরকপগী মহৈ ফংদুনা মিনট ৫১ চৎপদা অমুন কোমনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেটচ অসি ৩–১ দা মায় পাকখি।

৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ফ্লাম ইম্ফালনা শিটি এফ সি চান্দেলবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা এটেক চখন্নদুনা গোল চন্নবা হোৎন্নরবসু ঙম্নদবদগী হাল্ফ অসি লোয়বা ফাওবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী মিনট ৩৬ চৎপদা ফ্লামগী জর্সি নম্বর ৯ হিমিনথংনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদুনা মিনট ৫২ চৎপদা জর্সি নদম্বর ১০ এ মুনিরামনা চন্দুনা ২–০ দা মবাঙজিল থাখি। অহুমশুবা গোল অদুনা মিনট ৮ কান্নরগা মিনট ৬০ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৩ কে মেঘাচন্দ্রানা চন্দুনা ৩–০ দা লৈখি।

অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল শোখরিবা শিটি এফ সিনা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা ভি এস এ অমদি এফ সি ইম্ফালগা শান্নগনি। অনীশুবদনা সঙাই এফ সি অমদি ভি এস এ সিগা শান্নগনি।

# তেরা–খোনশাংবি য়ুঠ ভোলুন্টরি ক্লবনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২ঃ

তেরা খোনশংবি য়ুঠ ভোলুন্টরি ক্লবনা শিন্দুনা মমাঙ থা ২২ দগী টিম ২০ না শরুক য়াদনা তেরা খোনশাংবি এল পি গ্রাউন্দা চখরিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৪ মেন এ–সাইদ নোক অউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর তেরা খোনশাংবি য়ুঠ ভোলুন্টরি ক্লব (টি ৱাই ভি সি)না ওইখ্রে।

তেরাখোঙশানবি য়ুঠ ভোলুন্টরি ক্লব অমদি আর এ বি আই এফ সি থাঙ্গালৱাইনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবা গোল ১–১ দা লৈন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোম পেনালটি কাওন্নবদা টি ৱাই ভি সিনা আর এ বি আই এফ সিবু মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা থৌলরম মপু ওইখিবা থোঙাম সান্তি সিংহ (সোসিয়েল ৱাকর)না অচম্বা ৱারোল পীরদুনা হায়খি শান্নবনা নুশিবগী অমসুং শন্তি পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরি হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা খঙলক্লি অমসুং শান্নবদা জাট–বিজটি লৈতে পুন্নমকপু অমত্তা ওইবা লিচিং অমদা পুনবা ঙমই অদুনা মাম ওইদুনা শান্নববু ঙসিগী মীরোলনা অৱাংবা থাক্তা থম্নারক্লিসিনি।

ঙসিগী শান্নবনা লমদম অসিদা নত্তনা ৱাল্দদা মশক তাক্লি। ঐখোয়গী লমদম অসিগী শান্নবুংশিং অসিদা চাওরকখিবা শান্নরোইশিং অসিনা ঙসিদি মলেমদা মণিপুরবু মশক তাক্লি।

অফা–অফাবা অফাওবা শান্নরোই ওইরকপা ওইশানু হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না শান্তিনা ওর্গানাইজিং কম্মিটিদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লিশিং ১০,০০০সু মতেং পাঙখি।




# তরুকশুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ফুটবোল টুর্নামেন্ট এন এফ সি ঙরিয়ান টুর্নামেন্টদগী তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২ঃ

ৱাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক কাকচিংনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ২৬ তগী ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা টিম ২০ না গ্রুপ ৭ থোক্না খাইদোক্তুনা চখরকপা ৬শুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ভিলেজ ৱাইস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ও এন ৱাই এস য়ু (ও কে এস য়ু)নিংথেমচা খুল,ৱাই এফ সি হুইকপ অমদি ই য়ু এস সি তেলৌ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৫ ব্রার্দস তাকয়েল অমদি এন এফ সি ঙরিয়ানগা শান্নগদবদা এন এফ সি ঙরিয়ান শান্নবা লাক্তবদগী ৫ব্রার্দসনা ৱাক ওভর ফংখিবগা লোয়নন্না এন এফ সি ঙরিয়ান টুর্নামেন্ট অসিদগী তান্থোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ও এন ৱাই সি নিংথেমচা খুলনা বি এস য়ু (বি) নোংপোক কাকচিংবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা ও এন ৱাই সি নিংথেমচা খুলগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৮ ৱাই ননাওচানা মিনট ১০ অমদি জর্সি নম্বর ১১ এস প্রেমসন্ননা মিনট ১৮ দা গোল অমমম চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদু এস প্রেমসননা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী ৩শুবা গোল অদু মিনট ৩৮ দা চনখি।

৪শুবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ নোংশাবনা মিনট ৪৬ দা চন্দুনা ৪–০ দা মায়ল পাকখি।

৪শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ৱাই এফ সি হুইকপনা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই এফ সি হুইকপগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৬ কে সুরজিৎনা মিনট ১২ দা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মিনট ১৮ অমদি ২৩ চৎপাদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ এল সুধিরনা গোল অনী হাপচিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌনা অনীশুবা হাল্ফগী মিনট ৩৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ৪ দল্লি কৃষ্ণনা অমদি জর্সি নম্বর ৮ এন জি ইংলেন্দনা মিনট ৪৬ চৎপদা গোল হন্দোক্লবসু মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা ৱাই এফ সিগী দল্লিউ ইদিসন,সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী সুনিরাজ অমদি সনায়াইদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

৬ শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা গ্রাউন্দা ই য়ু এস সি তেলৌনা সেক্তা (এ)বু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৬–৫ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনাইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং পেলহনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চখন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখ্রবসু অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৭ চৎপদা সেক্তা (এ)গী জর্সি নম্বর ১০ কে রেনোলনা গোল একাউন্ট ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু মিনট ৯ কান্নরগা মিনট ৪৬ দা ই এস য়ু এস সিগী জর্সি নম্বর ৮ এস নোভেলনা শোখরিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবা ১–১ দা লৈন্নখি।

গোল মন্না লৈবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌন্নবা কিক ফোম পেনালটি মাক কাওন্নবদা ই য়ু এস সিনা গোল ৫ অদুগা সেক্তা (এ) গোল ৪ খক ওন্থোকখি।

ই য়ু এস য়ুগী পেনালটিগী গোলশিং অদু কে ইবোতোম্বা,কে কিরন,এন জি জিতেন,টি ঐচ রামনদা অমদি টি ঐচ বিনোদনা চনখি।

সেক্তা(এ)গী পেনালটিগী গোল অদুনা দল্লিউ বিশেশ্বোর,এস পাহারি,এস থোই অমদি এল রোবিসননা চনখি।

হয়েং ৭শুবা প্রি–ক্বার্টরদা ও এফ এ অমদি এম ৱাই সিগা শান্নগনি। ৮শুবা প্রিয়ক্বাটরনা এফ সি লম্লাই অমদি এ এস এস এগা শান্নগনি।

অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা নুংথিল পুং ২.৩০ দা বি এস য়ু (এ) অমদি ও এন ৱাই সিগা শান্নগনি।

## ফৌদেন ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,এপ্রিল ২ঃ

ফৌদেন য়ুঠ ক্লব (পি ৱাই সি),ফৌদেননাশিন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী হৌদুনা পি ৱাই সি গ্রাউন্দা ফৌদেনদা ৭শুবা ষ্টেট ওপন ৭ এ–সাইদ কেস প্রাইজ ফুর্টবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ৬০,০০০,রন্নস অর্পদা লুপা লিশিং ৩৫,০০০,বেষ্ট প্লেয়র,টোপ স্কোলর, বেষ্ট গোল কিপ্পর অমদি মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচদা লুপা লিশিং ২ /২ গী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওনিংবাশিংনা মিং চনবগী অরোইবা মতমনা এপ্রিলগী তাং ৫ দা ওইগনি।

শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মেনেজরগী মীটিংনা এপ্রিলগী তাং ৫ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা পি ৱাই সিগী ওফিসতা পাঙথোকনি। অমদি এডমিস্সন ফিনা লুপা লিশিং ৪,০০০ ওইগনি হায়রি।

## চেল্লেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল

ইম্ফাল,এপ্রিল ২ঃ

শলাই হোলদিং প্রাইভেট লীমিটেদ,শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর ভেটারন ফুটবোল এসোসিয়েসন মপাল কাংজৈবুংনা শিন্দুনা লাক্লিবা মে ৪দগী ২১ শুবা চেল্লেঞ্জ কপ ভেটারনস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়নদা রোল্লিং ট্রোফিগা লোয়নন্না লুপা লক্ষ ১,০০,০০০,রন্নস অপতা রোল্লিং ট্রোফিগা লু লিশিং ৬০,০০০ অমদি থার্দ পোজিসনদা রোল্লিং ট্রোফিগা লোয়নন্না লুপা লিশিং ২০,০০০।

ফিয়ার টিমদা রোল্লিং ট্রোফিগা লোয়নন্না লুপা লিশিং ৫০০০ গর মনা লৈবগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওনিংবা টিমশিংনা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিদা লাক্লগা নুংথিল পুং ৪ দগী ৮ ফাওবাগী মনুংদা ফোম লৌবা য়াগনি লোয়নন্না ফোম থাজিনলকপগী অরোইবা মতমনা এপ্রিলগী তাং ২৫গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*